থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঙসিদি য়ু সী এম’না লাংতক্লবা কোকহন্দৌরিবরা?

য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলদা ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিন্নবা পুং ৭২ গী মতম থাখিবদু ঙরাং অহিং লোইখ্রে। নহান পাউদমজখিবদুনি- য়ু সী এমগী ৱার্নিং হায়গদ্রা থ্রেৎ হায়গদ্রা, আপিল অদু য়ু এন সীনা মৱা লৌবীরোই। লৈরক, খুল্লক, হোটেল ওফিস- পাউ অদু পাহৌবা মীওই খুদিংমক্না হায়নখি- নাগাশিংনা পামখিবসু মদুমক্কি, মীতৈশিংগী লূপ অমনা মখোয়গী মথক্তা শাউরকপা। মীতৈশিংনা শাউবই লিমিট ৱাংমা লানখিদুনা তম্পাক্তা লৈবা নাগাশিংদা খুৎ থারকপা, নেসনল কেপিটেল দিল্লিদা ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস বোদি ময়াম্না ‘মাইনোরিটিদা মেজোরিটি মীতৈনা ওৎপীরে’ হায়না ৱাকৎ মীফম ফল্লকপা, মীতৈ মিনিষ্টরশিং মণিপুর ভবনদা লাকপদা ‘কম্মুনেল ওইবা মিনিষ্টর ফম থাদোকউ’ হায়না লাউশিনবা, লোববী কনবা ত্রাইবেল পোলিটিসিয়নশিং- পোলিটিকেল ইন্টরভেন্সন তৌ ৱাকৎপা, এন্টি-মীতৈ ওইবা নেসনল মীদিয়াদা লোববী তৌদুনা নৈনহনবা... ঈরোয় লোইবদা মণিপুর লৈঙাক্না মরী তৎনরে লাউথোকপা। আ য়ৌনা মরা তাখ্রবা পোলিটিকেল ওইবা খোঙথাং অমনি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলনা থাংলক্লিবা, এন এস সী এন (আই-এম)গী য়াথংদা।

ঐখোয়না খঙই, হায়নবা তায়-চীংনুং-মান্নুংদা লৈরিবা মরাল লৈজদবা চীংমী ইচিল ইনাওশিংদি শান্নরিবা পোলিটিকেল দ্রামাসি করিমত্তা খঙজদে। অদুবু, লুরিবদি মখোয়গী হূ-পুবা ৱাপাউ অদু নত্তনা অতোপ্পা অমা কনানসু তল্লদ্রবনা মখোয়গী ৱা অদুনা অচুম্বা ওইখিবা তাবনি। মদুমক্কি ওইরক্লিবা তপ্পা তপ্পা। চীংনুংদা লৈখ্রবা, ইম্ফাল (তম্পাক লম) দা লৈবা মীশিংগা নোংমত্তসু তোরো-খদানদুনা লৈমিন্নবা ফংদ্রবা মখোয়গী ৱাদি থমখ্রসি, ইম্ফাল ময়োল অসিদা খ্বাইদই খুদোংচাবা মফমশিংদা, মমাঙঙৈদে অমদি ইকুই কুইদ্রিঙৈদগী খুন্দা-লৈতা লৈমিন্নরক্লবা, নাগা কৌবা কাঙলুপতুদা য়াওজনিংবা নৎত্রগা নমদুনা য়াওহনখ্রবা ‘কচ্চা নাগা’ ময়াম অমা লৈ অকোয়বদা। নুমীৎ ৩৮ নি চথরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসিগী চৈনা চৈথেং চপ চানা ফংমিন্নরক্লি। অদুবু মখোয় কনামত্তসু ইকনমিক ব্লোকেদ অসি তোকপীয়ু হায়বা খোল্লাউ অমত্তসু লাউরক্তবা করিগীনো? তোকপীয়ু হায়বদুমক হায়দ্রসু ফৈ/ফত্তে কম্মেন্ট অত্তা পীরক্তবা করিগীনো? মরৌ লৈবা ফীরেপনি।

ঙরাং নহান, মমাঙ চয়োল, মমাঙ থাদগী ঙাঙনদুনতা লাক্লবা ইকনমিক ব্লোকেদকী পাউদমসি ‘থম্মোয় পাউদম’ ওইনা তন্থসিসু তল্লবনি। অনৌবা পাউ অমা তম্লিংবনি। অনৌবা পাউনি খঞ্জবা থৌদোক অমা ঙরাং ঐগী ইফমদা থোকখি। পাউ অদু তম্লিংবগী ঈখৌ অমনে, ইথন্তা খোয়দৌ শাউগৎপগী খোয়শাউনবা অমনে, অনী পুনবদুননি পন্নিংদ্রবা ব্লোকেদসিগী পাউদম অমা অমুক ইরুরিবা।

ঙরাংদু দিমোনেটাইজেসন তৌখিঙৈদগী নোংমত্তা চৎকে ঙমখিদ্রবা, শিংজমৈগী য়ু বি আইব্রাঞ্চ অদুদা চেক অমখক থমজিনগে চৎলুই, একাউন্ট শঙদুনা লৈহৌবা অপীকপা বেলেন্স খরদুসু লৌথোরক্কে। হান্নগুম লাকঙম ফাঙমদনা চিনবা হায়দুদি ওইরমদ্রে হায়ববু শাংলপ তৌবা ক্যুদুদি অদুম লৈরম্লি। ময়াম মরক্তুদা ঐবু শক খঙবীবসু য়াওরমদুনা হায়রকই, সার, নহানগী আই এস টি ভিগী দিস্কসন অৱারদা শেংদোকপীখিবদু তাজহৌই... ঐখোয়না খঙদদুনা ৱারৌরম্বা শাউনিংলম্বদু খরমখৈ হন্থরে...। অদুনা ওইবা তাই, নুপীশিংদু ভি আই পি কনানো, চীফ মিনিষ্টর লাক্লবসু ক্যু থুগায়বা য়ারোই হায়বা ঈশৌ লাংবীদু কনামত্তা ওইরক্ত্রে। চঙখিবদা কনামত্তা অপনবা পীরক্ত্রে।

থোরক্লগা শিংজমৈ পার্কিংদা চাকহৱাই য়োল্লিবী চীংমী ইচলদুদা মীৎয়েংফম ওইরুরে। খঙহৌদনা হংদোক্লুই, ইচল নংগী চাকহৱাইসিদি কিলোদা কয়ানো?

‘নিফুনি তাদা, লৌবীরো। য়াম্না হাপকে।‘

‘অয়ুক্কী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদদি কুন্থ্রাখক্তা পী। কুন্থ্রাদা পীরোনে।’

‘কদায়দগী? অদুদি ঐ মাঙলনি। য়াদে‘

‘ফরে ফরে। হয়েং হোংলব’কান দা লৌরগে।’

‘হয়েংদি ঐ লাক্লরোইনে। সে, য়ামদ্রে। লোইনা লৌবীরোনে।’

‘হয়েংদগীদি ঐখোয় ইম্ফালদা লাকপা য়াররোই হায়নে?’

‘কনানা হায়রিবা?’

‘ঐখোয় খুনগী পাখংনা হায়বীবনে। হয়েংদগী ঐখোয় নাগাশিংসি ইম্ফালদা লাকপা য়াররোই, ঙসিনা অরোইবনি হায়নে। ঙসি লোইনা য়োম্থোক্ত্রবদি হয়েং হংচিৎতি মাঙলগনি।’

মাগী ৱাহৈ অদুনা ঐবু নুংঙাইহনখিদে। কিলো অমফাও য়াম্মল্লবদু কিলো অহুম লৌরকখি, মানা হায়বা মমলদুদা। মখা তানা ৱারী শানরমদ্রে। য়ুমদা চুমদ্রিং হল্লক্লে। লুল্লবা ঐগী কোকসিদা হেন্না লুম্বা, থাংথবা ঙমদ্রবা পোৎলুম অমা থোনগৎলকপগুম তৌখি। মহাক্লুম্বা নাগা কয়াগী মকোক্তনো, অসিগুম্বা শেরান্না ৱাখল অমা পুরদুনা লৈরমগদবা?

ঙসিদি শোয়দনা খঙলগনি থাজে- য়ু সী এমনা লৌখৎলক্ক-দৌরিবা খোঙথাং অসি করিনো? করম্বা মখলগী এজিটেসননো চঙশিনগদৌরিবা? মখোয়না লাউথোরক্কদৌরিবা খোঙজং অদুনা নাগাশিংবু শাউহনগদৌরিবরা? খোনজিনগদৌরিবরা? নৎত্রগা ষ্টেটসিদা প্রসিদেন্টস রুল বার্তন তৌগদৌরিবরা?





লৌশিং পুক্কে

# ঙাইঙমদবা অমসুং অহল ওইশিল্লকপা

মতম শাংনা নহা ওইনিংবা মীওইশিংনা খাঙবা কনবগী হৈনবী থম্বা মথৌ তাই হায়না অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপোরগী রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা খঙলকপা ৱাফম মতুংইন্না অয়াম্বা মতমদা ঙাইঙমদবগী মওং মতৌ উৎথোরকপা মীওইশিংগী সেল মথং মথং শিথরকপা মরম্না থুনা অহল ওইশিলহল্লি হায়রি।

অখাঙ কনবা অমদি ঙাইঙমদবগী মওং মতৌনা মীওইবদা করি করম্বা অহোংবা থোকহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হন্দক্না অহানবনি।

নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপোর (এন য়ু এস)গী রিছার্চর কাঙবু অমনা অন্দর গ্রেজুয়েট তল্লিবা চাইনিজ নুপী ১,১৫৮ দা কুপ্না থিজিল্লম্মী। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী খাঙবা অমদি ঙাইবা ঙম্বগী চাং লেপথোক্লুবা রিছার্চরশিংনা পান্থৈ অমা পুথোক্লম্মী। শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তা নোংমা লৈরগা দোলর ১০০ লৌগেরা, নৎত্রগনা নুমীৎ খরনি লৈরগা খরা য়াম্বা শেনফম লৌগেরা হায়না হংখি। মীওই অয়াম্বা কুইনা ঙাইবা তনবদগী খুদক্তা দোলর ১০০ ওইনা লৌবা পামখি। মতৌ অসুম্না ঙাইঙমদবা মীওই খুদিংমক্কী সেল শিথরকপা মরম্না থুনা অহল ওইশিল্লকই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ সিঙ্গাপোরগী রিছার্চর রিচার্দ এবষ্টিননা হায়খি, ঙাইঙমদবা অমসুং খাঙবা কন্দবা মীওইশিংগী সেলশিং খোঙজেল য়াঙনা শিথরকপা মরম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা অহল ওইশিল্লকই। সেলশিংগী ফীভম ফনা লৈহন্নবা মীপুম খুদিংমক খাঙবা কনবগী হৈনবী থম্বা য়াম্না তঙাইফদে।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি নেসনল একাদেমী ওফ সাইন্সেসকী জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি মতমনা পুরকপা থৌওং অমনি। খোঙ-খুৎ শিথরকপা, ওষ্টিওপোরোসিস, ওষ্টিওঅ-থ্রাইটিস, তাঙ নাবা অমসুং শরুগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা অসিনচিংবশিং অহল ওইশিল্লকপগী খুদমনি। অদুবু চাকচা য়ুথক ফজবগা লোয়ননা পুন্সি মহিং শেমদোক্লবদি চহী য়ামজরবসু নহা অমগুম পাঙ্গল কন্না লৈবা ঙম্মী। পুন্সি নুংশাংনা হিংবসু ঙম্মী। চাবা থকপগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি।

উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং অয়াম্বদা মিথাইলসলফোনা-ইলমিথেন (এম এস এস) কৌবা ওর্গানিক কম্পাউন্দ অমা য়াওই। মরম অদুনা উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা মতমদা তাঙ-তাঙ (জোইন্টশিং) গী মথৌ ফগৎহনবগা লোয়ননা কার্টিলেজ শোকচিল্লক্তে। কার্টিলেজ শোকচিল্লক্লবা মতমদা শরু তাঙশিং মথৌ ফজনা তৌবা ঙম্লক্তবনি।


হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা চীঞ্জাকশিংগী মনুংদা সোই প্রোটিনসু অমনি। মসিনা ইনফ্লেমেসন থোকহনবগা লোয়ননা সেক্স হোর্মোনগী খল কায়হন্দে। মরম অদুনা নুং হৱাইগুম্বা সোই প্রোটিন য়াওবা চীঞ্জাক চাং নাইনা চারবদি মতম শাংনা ইশা-ইউ ফনা লৈবা ঙম্মী। লোয়ননা সেল্যুলর ইম্যুনিটি ফগৎহল্লি। মরম অদুনা প্লান্ট ষ্টেরোল মরাং কায়না চারবদি হকচাং ফনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙম্মী।


চাং নাইনা ওলিভ ওইল চারবদি কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ, দিমেন্সিয়া অমসুং কেন্সরনচিংবা লায়না কয়া ঙাকথোকপগা লোয়ননা প্রো-ইনফ্লেমেটরি জিনশিংগী ইফেক্ট হন্থহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হঙ্গাম থাউগী মহুত্তা ওলিভ ওইল ওইনা চাগদবনি।

অঙ্গুরদা য়াওবা সোলিফেনো-লিক সবষ্টেন্সতা এন্টি ইনফ্লেমেটরি অমসুং এন্টিক্সিদেন্টকী মগুন চেল্লি। মসিনা ব্রেনগী ফীভম ফগৎহনবগা লোয়ননা অলঝিমর’গুম্বা ন্যুরোদিজেনরেটিভ দিজিজশিং ঙাকথোকপা ঙম্মী।

অমরোমদা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি চহী য়ামশিল্লক্লবসু ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা তৌহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা উচিদা রিছার্চ তৌরবা মতুংদা হায়খি, হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা এঞ্জাইম মখল অমগী চাং ৱাংখৎহনবা মরম্না ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমহল্লি।

সেল মেটাবোলিজম জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ এজিং অমদি জোন্স হোপকিন্স স্কুল ওফ মেদিসিনগী মার্ক মেটসননা হায়খি, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা এস আই আর টি থ্রী কৌবা এঞ্জাইম অমগী চাং ৱাংখৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা ব্রেনগী মথৌ নীংথিনা তৌহনবনি। নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি চহী য়ামশিল্লক্তুনা অহল ওইরবসু নহা অমগা চপ মান্নবা মওংদা ৱাখল খনবা ঙম্মী হায়রি।





# মীহুৎ ওইখিবশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবা খন্দবদগী কৈরাও এ সী শোত্থনা লৈরিবনি : রামেশ্বর



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

কৈরাও এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মীহুৎ অমদি মমাঙদা লৈখিবা মীহুৎশিংনা মীয়ামগী য়াইফননবা পুকচেল শেংনা থবক তৌদবা অমদি খন্দবদগী ঙসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা অতোপ্পা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংগা য়েংনরুবা কৈরাও এ সী অসি হীরম কয়াদা শোত্থনা লৈরিবনি হায়না লাক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাংলিবা বি জে পিগী এক্টিব মেম্বর লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

লৌরেম্বম অঙাংহল মেমোরিএল ট্রষ্টনা শীল্লগা কৈরাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চহী ৬০ হেল্লবা অহলশিং, নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী নুপীশিং অমদি দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবশিংদা পেন্সন য়েন্থোকপগী ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমগা মরী লৈননা ৱাফম অসি লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, কৈরাও এ সীদগী মীহুৎ ওইখিবশিংগী মরক্তা মিনিষ্টর ওইখিবা কয়া য়াওখ্রে। অদুমকপু মমাঙথক্তা লৈখিবা এম এল এশিংনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক তৌবীরমদবা অসিনা মরম ওইরগা কৈরাও এ সী অসি খ্বাইদগী শোত্থবা মফম অমা ওইরিবনি। কৈরাও এ সীগী ওইনদি মীয়ামগী য়াইফননবা থাদরকপা শেনফম কয়া অমদি পীথরকপা স্কিম প্রোজেক্ট কয়া অসি এ সীগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা মশাগী লন্নাই অমদি মহাক্কী চৎমিন্নবা মীওই খরখক্কী খন্দুনা হৈনথোকখিবা ঙাক্তুনি। মসিগী খুদম হায়ববু ক্যামগৈগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা প্রাইমারী স্কুল অমা শাননবগী শেন্থং কায়থরকখি। অদুবু হায়রিবা স্কুল অদু এম এল এনা মহাক্কী ইংখোলদা ওইনা শাজিনখ্রে। মসিদসু নত্তনা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা স্কুল মঙা শাননবগী শেনফম পীথরকখ্রবসু স্কুলদি শাদনা শেল লোইনমক লৌথোকখ্রে হায়না মরাল শিরক্লি। এ সী অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক পীথরকখিবা লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম্না মীয়ামগী করি চাউখৎ থৌরাং পায়খৎলিবগে হায়বদুসু মীয়ামদা খঙহনবা তৌদে। মীয়ামগীদমক থাদরক্লিবা ফন্দ অসি লন্নাইগী ওইনা খল্লগা লৈরে। হৌখিবা চহী ৫ গী মনুংদা এ সী অসিদা শুপ্নতগী থা ২৪ খক নত্তনা অতৈ মতমশিংগীদি পি দি এসকী চেঙশিং মীয়ামদা ফংহন্দনা মাঙহনখ্রে হায়না মরাল শিরক্লি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, কৈরাও এ সীদা লৈবা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা অহল ওইরবা কয়া অমা লৈঙাক্লা মীরায়বীবগী ফীভমদা লৈরি। অহল ওইরবশিং অসিদা লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা ওল্ড এজ পেন্সন পীবগী ৱাফম লৈতে। মীহুৎ ওইরিবনা ঐগী মাগী হায়বা ৱাখল্লোন্দা চহী য়াল্লবা অহলশিংবু পেন্সন পীহনবগী থবক চথরি। অসিগুম্বা মতৌ কয়া অসিদা অহল ওইরবশিংগী থম্মোয়গী পেন্দবা কয়া ফাওরি। অহলশিংগী পেন্দবশিং অদু উবদগী লৈখিদ্রবা ইপুবোক্কী মিংদা থা খুদিংগী পেন্সন পীবগী থৌরাং অসি পায়খৎলকখিবনি।

মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা থোক্লক্লগা মীয়ামগী য়াইফননবা খল্লক্তবা অমদি থবক তৌরক্তবা মতৌ কয়া অসি উরকপদগী মীরেপ ওইনবা থোক্লকপনি। এ সী অসিগী মীয়ামগা তান্নরগা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু পায়খৎকনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুরদা করপসন য়াওদবা বি জে পিগী লৈঙাক অথুবা মতমগী মনুংদা লৈরগনি : খুমুকচম জয়কিষন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

মণিপুরদা করপসন য়াওদবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লৈঙাক অমা অথুবা মতম হায়বদি থা ২/৩ গী মনুংদা লাক্লগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

রিমস রোদতা লৈবা এম এম গ্যাস সার্ভিসকী মনাক্তা বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলগী ওফিস নৌনা ঙসি হাংদোকখিবগী ললাম্বুং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা এম এল এ জয়কিষননা হায়খি, কুমজা ২০১২ গী এসেমব্লী ইলেক্সন মমাঙদা ললাম্বুংদা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমা শুংশোয় শোয়দনা শাগনি হায়না কোংগ্রেসনা ৱাশকখি। অদুবু শাখিদে। কোংগ্রেস পার্টিনা মীখল মমাঙদা ভোট ফংনবনি হায়দুনা ৱাশকখিবা ৱাফম কয়া ঙসিদি থবক ওইনা পাঙথোক্তে। মসিমক মীয়ামদা চাউনা নমথাক তৌবনি। ললাম্বুং ৱাটর সপ্লাই স্কিম শাগনি হায়দুনা লুপা ক্রোর ২ রোম কোংগ্রেসনা হুরান্দুনা লৌথোকখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা শাবগী ফীভমদি উদ্রে।

মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক সেন্টরনা থাদরকপা য়াল্লবা শেনফম কয়াবু মীয়ামদা য়ৌহন্দ্রিবা কোংগ্রেস লৈঙাক অসি মখা তানা লৈহল্লগুমসি। কোংগ্রেস পার্টিনা চাউখৎ থৌরাংগী মিংদা মরন্নাই নুংঙাইনবা লৌশিনখিবা য়াল্লবা শেনফম কয়া অদুনা লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা মীয়াম্বু শেল পীরগা লৈগনি হায়দুনা খল্লি। মখোয়না পীরক্কদৌরিবা শেনফমশিং অদু মীয়ামগী মিংদা চাখিবা শেল ঙাক্তনি।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কোংগ্রেস লৈঙাক অসিনা চত্থখিবা অরানবা থৌওংশিং অসি ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক হেক লাকপগা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা থিগৎলগা মরাল লৈরম্বশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎকনি। অরানবা থৌওং চত্থবা অসিদা দিপার্টমেন্টশিংগী কম্মিস্নার অমসুং দিরেক্টরশিং চেন্নরম্বা থোক্লবদি মখোয়গী মথক্তসু অকনবা এক্সন লৌখৎকনি। মসিগীদমক ওফিসরশিংনসু মশাগী মথৌ মশক খঙনা তৌবীয়ু। আসাম পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী চ্যেরমেননা অরানবা থবক তৌরম্বগীদমক ঙরাং নহানতা জেলদা থাজিনখিবা লৈরিবনি। মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা করপসন লৈতবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা পুরক্লবা বি জে পিনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্লসু শৌগৎপীয়ু। লাক্কদৌরিবা থা ২/৩ অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক অমা ষ্টেটসিদা লাকপা হায়বসিদি শুংশোয় শোয়দ্রবনি। দিমোনেটাইজেসন্না মণিপুরদা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি বি জে পিনা খঙই। করিগুম্বা অফবা থবক অমা পায়খৎপদা খুদোংচাদবা খরদি থেংনবা তাবনি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্লসু মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা কোকহন্নবা হোৎনরি। লাক্লিবা এসেমব্লী মীখল অসিদসু মীয়াম্না বি জে পিবু শৌগৎপীদুনা ষ্টেটসিদা শেঞ্জা-থুমজা য়াওদবা লৈঙাক অমা লৈহনবদা পুন্নমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মহাক্লা আপিল তৌখি।

বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দলগী ওফিস হাংদোকপগী থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট মৈনম ভোরোতনা হায়খি, হন্দক্তা বি জে পিগী টিকেটতা মায় পাক্লকখিবা আই এম সীগী ন্যুতনচন্দ্রনা কোংগ্রেসতা য়াওখিবা অসিদা বি জে পিগী ওইনা মাঙজবা করিসু লৈতে। বি জে পিগী মপাঙ্গলদি নোংম-নোংমগী কনখৎলকখিগনি। কোংগ্রেসনসু মখোয়গী মপাঙ্গল কনখৎনবনি হায়দুনা খল্লমগনি। অদুমকপু কোংগ্রেসতি শুংশোয় শোয়দনা তুরগনি।

থৌরমদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিম্বস, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মা, থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কাউন্সীল্লরশিং অমদি মশক নাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

# ব্রেবরী এৱার্দ রাজেশ্বরীদা পীগদবনি : মনিহার

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১০ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা অরোং খুঞ্জাওগী লিতান থোংদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা মীওই অনী এল কেবিসনা (৪১) অমদি মহাক্কী মচানুপী এল ইনুংঙানবী (৫) অনীগী পুন্সি কল্লন্নগা মথ্বায় থাখ্রবী এল রাজেশ্বরীদা ব্রেবরী এৱার্দ পীগদবনি হায়না সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়ট লেবেল মল্টিপর্পজ কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদকী চ্যেরমেন কে মনিহারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মচিন-মনাও অহুমগী মনুংদা রাজেশ্বরীনা অনীশুবনি। মচা কায়নবগী ৱাখলদা রাজেশ্বরীগী অপোকপা রাজেন অমসুং অপোকপী রোমা ৱাখল লায়না ওইদুনা লৈরিবসিদা ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা খঙশিন-উশিন্নদনা তুমীন্না লৈথোক্লিবা অসিনা তাকপদি অরোং খুঞ্জাও অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম্বু হন্থনা খনবনি হায়না লৌগনি। খোয়শাউনরবা মীয়াম্না অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা লানবা য়াদনা লৈরিবা লিতান থোং অসিসু শেমজিন্নবা থবক লৌখৎপীদ্রি। থোক্লিবা থৌদোক অসি ইম্ফালগী মফম অমদা থোক্লম্বা ওইরবদি গভর্ণমেন্টনা তুমীন্না লৈথোকপা য়াগদ্রা হায়না হংলক্লি।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবা পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

# চীংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ পীগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

চহী খুদিংগী ওইনা দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না লূপ অসিগী মপোক কুমওন খুদিংগী লেপ্তুনা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংবু তাকপী তন্থীবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওজাগী শিনফমদা থৱায় হকচাং য়াওনা কথোক্লিবশিংদা পীবা চীংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ অসি হন্দক চহীগী ওইনা লূপ অসিগী মপোক কুমওন নুমীৎ মথং চহীগী জন্যুৱারি ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা পীরগনি।

দেসামগী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফিয়ার্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হায়রিবা এৱার্দ অসিগীদমক্তা মশাগী বাইও দেটানচিংবা থাগৎনিংবা ওজাশিংগী ইশা ইশাগী বাইও দেটাশিং অদু থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা থাগৎপীরকপা য়াগনি হায়রি।

ওজাশিং অদুগী বাইও দেটাগা লোয়ননা স্কুল অদুগী হেদ মাষ্টর, প্রিন্সিপালনা পীবা রিক্কমেন্দেসনগা লোয়ননা জোন জোনগী জেদঈ ও অমদি স্কুল অদুনা কোল্লিবা লৈকায় ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীনা পীবা রিক্কমেন্দেসনগা লোয়ননা দেসাম হেদ ওফিস অমদি দেসাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ওফিসতা থাগৎলকপা য়াগনি হায়রি। অমরোমদা, চীংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা এৱার্দ অসিবু স্পোন্সর তৌবীনিংবা ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং নৎত্রগা ওজাগী শিনফমবু নুংশিবীবা মীওইশিংনা স্পোন্সর তৌবীনিংবা লৈরবদি দেসাম হেদ ওফিসতা লাক্তুনা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়রি।

# এল পি এসতা পাঙথোকপা ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচ এন এস):

কোম-কৈরপতা লৈবা লোক্তাক পৱার ষ্টেসন (এল পি এস) দা থা অসিগী ৫ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্নর ইঞ্জিনিয়ারিং এন্দ মাইন্দ বেলেন্সকী ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা ভেলিদিক্টরি সেসন অদুদা লোক্তাক পৱার ষ্টেসনগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার (ইন-চার্জ) বেদ্দিরামনা হায়খি, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী টোপিক অসি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগা য়াম্না হেন্না মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগীদমক এন ঐচ পি সীগী ফোর্মর দিরেক্টর (প্রোজেক্ট) এস কে দোদিজা অমসুং যোজ মানব বিকাস ট্রষ্টকী চীফ পেট্রোন অমসুং লোক্তাক্তা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম পাঙথোকপগী অয়াবা পীখিবা মহাক্কী টিমবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এস কে দোদিজানা হায়খি, ইন্নর ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং মাইন্দ বেলেন্সকী শক্তি হেনগৎহনবনা মীওইবা অদুগী পুন্সিদা পাঙথোক্কে খল্লিবা থবকশিং পাঙথোকপদা কান্নবা ফংহনগনি। ট্রেনিং অসিনা যোগিক সাইন্সকী মতেংনা নুংগী ওইবা পূক্লিংগী থৌওংনা তুংদা লাক্কদবা পুন্সিদা ৱাখল লৌশিং হেনগৎহল্লক্লবগী খুদোংচাবা ফংগনি। অসিগুম্বা কোর্স অসিনা ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখল অমসুং হকচাং অমদি নুংগী ওইবা ইনর্জিশিং অদু শীজিন্নদুনা ৱাখল লৌশিং হেন্না থোকহনবা ঙমগনি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোক্তাক পৱার ষ্টেসনগী সিনিয়র ওফিসরশিংসু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা পুন্নমকপু থাগৎ ৱাহৈ পীখি।

# মন্দলে ট্রেদ ফ্যেরদা শরুক য়াগদবশিং লমথাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭: ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মায়কৈশিংদা অচেৎপা মরী থন্নবা পান্দমগা মরী লৈননা ম্যান্মারগী মন্দলেদা পাঙথোক্কদবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ট্রেদ ফ্যেরদা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যুরস এসোসিএসনগী মীহুৎশিং ঙসি কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতা লমথাখ্রে। নোর্থ ইষ্ট ট্রেদ ফ্যের অসিদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং, মহৈরোয়শিং, স্মোল স্কেল ইন্দষ্ট্রিজগা মরী লৈনবশিং, হেল্থ সেক্তর, মেন্যুফেকচরি সেক্তরগী মীওইশিং অমদি গুৱাহাতিদগী লাকপা মীওইশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৬৫ রোমনি। মীওই ৫০ রোম্না ট্রেদ ফ্যের অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী আইটেমশিং উৎলুগনি। ট্রেদ ফ্যের অসিদা শরুক্কয়ারিবা গুৱাহাতি জি এন আর সী হোস্পিটালগী মীওই ২, শিজ হোস্পিটালগী মশক নাইরবা মীওইশিং, সী আই পি টি, স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল, খোংজোম অমসুং পিত্তম্বরা স্কুলগী মহৈরোয়শিং, তোঙান তোঙানবা মেন্যুফেকচরি য়ুনিটশিং, স্মোল অমসুং অমসুং মাইক্রো ইন্টরপ্রাইজেসকী মীহুৎশিং য়াওরি।